# হিংনা মৈ থাদুনা হাৎপদা চেন্নবা মীওই ১১ ফারে

বোকারো, ওক্টোবর ০৭ (এজেন্সী) :
জরখন্দগী মনুংচন্না লৈবা মফম অমদা লাইনিং মান্নদবা নুপী অমগা নুংশিনৈ হায়বগীদমক নুপা অমা হিংনা মৈ থাদুনা হাৎপদা চেন্নবা মীওই ১১ জরখন্দ পুলিসনা ফারে হায়রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা মহুৱাতন পুলিস ষ্টেসনগী মকোক থোংবা ওফিসর অমনা ফোঙদোরকখিবদা থৌদোক অসি পুলিস ষ্টেসন অসিনা কোনবা ধৱাইয়া এরিয়াদা থোকখিবনি। মুস্লিম কম্যুনিটিগী নুপা অমনা মহাক্কা লাইনিং মান্নদবা নুপী অমগা নুংশি মরী লৈনখি। অদুবু নুপী অদুগী লোকলগী মীওইশিংনা মবান্নিগী নুংশি মরী অদুবু য়ানিংদবগা লোয়ননা ঙরাং লোকলগী মীওইশিং অদুনা নুপা অদুবু ফারবা মতুং হিংনা মৈ থাখিবনি। থৌদোক অদুগী পাউ হেক ফংবগা পুলিসকী টিম অমা মফমদুদা চঙশিন্দুনা ভিক্টিম অদুবু মনাক নক্লা লৈবা হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখি। অদুম ওইনমক মহাক্কী হকচাংগী শরুক অয়াম্বা মৈনা চাকখিবনা মরম ওইরগা লায়কন্নবা ঙমদনা শিখিবনি হায়রি।

# লাইন ওফ একচুএল কন্ট্রোল পরিংদা ইন্দিয়া অমসুং চাইনা লৈবাক অনীগী মরী ফগৎলকপা লৈত্রি ঃ মিনিষ্ট্রি

ন্যু দেল্লি, ওক্টোবর ০৭ (এজেন্সী) :
লাইন ওফ একচুএল কন্ট্রোল পরিংগী শরুক্তা পোজিটিভ ওইবা থবক থৌরম খরা পায়খৎপা হৌখ্রবসু ইন্দিয়া অমসুং চাইনাগী মরক্তা লৈরিবা মরী ফগৎলকপগী ৱাফম লৈত্রি অমদি ঙমখৈগী শরুকশিংদা হান্নগী পুন্সি মহিং হঞ্জিল্লকপগী ৱাফম লৈত্রি হায়না মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফ্যেরসনা ফোঙদোরক্লি।



হীরম অসিগা মরী লৈননা ফোরেইন মিনিষ্ট্রিগী ৱাঙাংলোয় অরিন্দম বাগচিনা ঙসি ন্যু দেল্লিদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা হায়, এল এ সীদা হৌজিকসু নোর্মেল ওইবা ফীভম লৈত্রি। লৈবাক অনীগী মকোক থোংবা মিলিটরি ওফিসলশিংগী থাক্তা পোজিটিভ ওইবা থবক খরা পায়খৎখ্রবসু মদুনা লৈবাক অনীগী মরক্তা অফবা মরী লৈরে হায়বা য়াদ্রি। ঙসিদগী চহী ২ রোমগী মমাঙদা থোকখিবা লৈবাক অনীগী লান্মীশিংগী মরক্তা উংখৎনবগী থৌদোক অমদা নাকল অনীমক্তা অমাং অতা কয়া থোকহনখ্রবা মতুং ঙমখৈগী শরুকশিংদা দিপ্লোই তৌদুনা লৈরম্বা আর্মি পর্সনেল লৌথোকপদা য়ানখিবনি।

লৈবাক অনীগী মকোক থোংবা মিলিটরি ওফিসলশিংনা ১৬ শুবা রাউন্দগী ৱারী শানরবা মতুং গোগ্রা হোট স্প্রিং মনাক্তগী সিক্যুরিটি ফোর্সশিং লৌথোকপা হায়নসু য়ানখিবনি। লদাখতা নাকল অনীগী মরক্তা ইং তপ্পা পুরকপা হায়না য়ানখ্রবসু ঙমখৈগী শরুকশিংদা মথৌ তৌদুনা লৈরিবা আর্মিগী মরক্তদি মতম অমত্তদা হেক্তা উংখৎনবা য়াবগী ফীভমদা লৈরি।

অরুনাচল প্রদেশকী ঙমখৈগী শরুকশিংদসু চাইনানা অরানবা মওংদা লম খোপচিন্নবা হোৎনরকপগী রিপোর্ট লৈরি। অমরোমদা, অরুনাচল প্রদেশ অসি বৈজিংনা মখোয়গী লম শরুকনি হায়না ক্লেম তৌবগা লোয়ননা ষ্টেট অসি টিবেটকী শরুক অমনি হায়নসু ক্লেম তৌরি।

হীরম অসিগী মতাংদা লৈবাক অনীগী মরক্তা য়াম্না তোয়না উংখৎনবগী থৌদোকশিং থোক্লি। পনবা য়াবদি, হৌখিবা কুমজা ২০২০ দা এল এ সীগী শরুক্তা ইন্দিয়ন আর্মি অমসুং পি এল এগী মরক্তা থোকখিবা উংখৎনবগী থৌদোক অমদা ইন্দিয়ন আর্মি ২০ শিখিবগা লোয়ননা চাইনিজ আর্মি ৪ শু শিখিবনি হায়রি।

# পার্টিদগী তোকখ্রবা একনাথ সিন্দেগী কাঙবুদা সিভ সেনাগী সিম্বোল পীফম থোক্তে

মুম্বাই, ওক্টোবর ০৭ (এজেন্সী) :
মহারাষ্ট্রদা লৈঙাক পায়রিবা সিভ সেনা পার্টিগী মরক্তা ৱাখল্লোন মান্নদবা কয়া লাকপদগী ষ্টেট অসিদা হান্না লৈরম্বা উধব থাক্রেনা লুচিংবা লৈঙাক অদুবু সিভ সেনাগী রেভেল এম এল এ একনাথ সিন্দেনা লুচিংবা টিমনা ইন্থুদুনা অনৌবা লৈঙাক অমা শেমখ্রবা মতুং ফেক্সন অনীগী মরক্তা পার্টিগী সিম্বোল মুন্নবগী ৱাথোক অমুক থোকপা হৌরক্লে।



অম্বেদ রি ইষ্টতা হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা এসেমব্লি বাই পোলগা মরী লৈননা সিভ সেনা ফেক্সন অনীগী মরক্তা পার্টিগী সিম্বোল মুন্নবা হৌরকখিবনি। চহী অসিগী জুন থাদা উধব থাক্রেনা লুচিংবা লৈঙাক ইন্থুরবা মতুং নৌনা শেমখিবা লৈঙাক অদুগী চীফ মিনিষ্টর ওইরিবা একনাথ সিন্দেনা পাঙথোক্কদৌরিবা বাই পোল ইলেক্সনদা পার্টিগী লিরুং অমসুং তেঙ্গে য়েকপা পার্টিগী সিম্বোল মহাক্কী গ্রুপতা শীন্নরক্কবা ইলেক্সন বোদিদা হায়জখি। মহাক্লা ইলেক্সন বোদিদা পার্টিগী সিম্বোল শীন্নরক্কবা হায়জখ্রবা মতুং মহারাষ্ট্রগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টরসু ওইরম্লিবা অমদি সিভ সেনাবু লুচিংদুনা লাকখিবা উধব থাক্রেনা একনাথ সিন্দে পার্টিদগী তোকখ্রবা মীওই অমনি, মহাক্কী মফমদা পার্টিগী সিম্বোল শীন্নবগী মথৌ তাদে হায়না ফোঙদোরকখিবনি।

পনবা য়াবদি, উধব থাক্রেগী অপোকপা বাল থাক্রেনা পার্টি অসি চহী ৫০ রোমগী মমাঙদা হৌদোক্লম্বনি। বাল থাক্রে লৈখিদ্রবা মতুং মহাক্কী মচানুপা উধব থাক্রেনা পার্টি অসিগী থবক থৌরমশিং য়েংশিন্দুনা লাকখিবনি। অদুম ওইনমক মহারাষ্ট্রগী চীফ মিনিষ্টর একনাথ সিন্দেনা সিভ সেনা পার্টি অসি ইমুং মনুংগী ওইবা পার্টি নত্তে, মহারাষ্ট্র মীয়ামগী ওইবা পার্টিনি। মরম অদুনা পার্টি অসি উধব থাক্রেগী পার্টিনি হায়বা য়ারোই। লৈখিদ্রবা বলা থাক্রেগী মচানুপানা সিভ সেনা পার্টিগী লুচিংবা ওইগদবনি হায়বা ৱাফম লৈতে। পার্টি অসিবু হৌদোকপীরম্বা বলা থাক্রেগী ৱাখল্লোনদি সিভ সেনাগী লুচিংবা অদু মহাক্কী মচানি। মহাক্কী মচানা সিভ সেনাগী লুচিংবা ওইগদবনি হায়বা ৱাফম ফোঙদোক্লমখিদে হায়রি।

# চহী অসিগী ওইনা হায় কোর্টকী জজ ১৫৩ হাপখ্রে

ন্যু দেল্লি, ওক্টোবর ০৭ (এজেন্সী) :
চহী অসি হৌগৎলকপদগী হৌজিক ফাওবদা তোঙান তোঙানবা হায় কোর্টশিংদা জজ ১৫৩ হাপখিবগা লোয়ননা মখা তানা অনৌবা জজশিং হাপ্লকপা য়ানা লৈরি হায়না ওফিসল ওইবা রিপোর্ট অমদা হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না বোম্বে হায় কোর্টতা ঙরাং অহেনবা জজ ৬ হাপচিনখ্রে। মহারাষ্ট্র গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী বোম্বে হায় কোর্টকী চীফ জষ্টিস দিপনকর দত্তবু সুপ্রিম কোর্টতা পুখৎনবা খন্নবা হৌখ্রে। করিগুম্বা মহাকপু সুপ্রিম কোর্টতা এপোইন্ট তৌরবদি সুপ্রিম কোর্টকী ৱার্কিং ষ্ট্রেংথগী মশিং ৩০ দা হেনগৎলগনি। চীফ জষ্টিস ওফ ইন্দিয়া য়াওনা সুপ্রিম কোর্টতা লৈগদবা অপুনবা জজ মশিং অসি পুন্না ৩৪ নি হায়না রিপোর্ট অসিনা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা অথুবা মতমগী মনুংদা লৈবাক অসিগী অনৌবা চীফ জষ্টিস ওফ ইন্দিয়া খনবগী থবক পায়খৎলক্লগনি হায়রি।

# স্কুল মনুংদা নিংশিং খুভম শাজিল্লকপগী থৌওংদুবু চাইল্ড রাইট বোদিনা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি



ভিদিসা, ওক্টোবর ০৭ (এজেন্সী) :
মধ্য প্রদেশকী ভিদিসা দিষ্টিক্টতা লৈবা গভর্ণমেন্ট স্কুল অমগী কেম্পস মনুংদা লৈখিদ্রবা মীওই অমগী নিংশিং খুভম শাজিল্লকপগী থৌওং অদুবু নেসনল কম্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটসনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা কম্মিসন অসিগী চ্যেরপর্সন পিয়াঙ্ক কাননগোনা ফোদোকখিবদা গভর্ণমেন্ট স্কুলগী কেম্পস মনুংদা লৈখিদ্রবা মীওইগী খুভম অমা শাজিল্লকলিবা অসিগী মতাংদা মরী লৈনবা মিনিষ্ট্রিদা অথুবা মতমদা রিপোর্ট অমা সবমিট তৌরগনি। হায়রিবা স্কুল অসিদা তম্লিবা মহৈরোয়শিংসু কাউন্সিলিং পীবা মথৌ তারি। স্কুল অসিদা লৈরিবা ওজাশিংনা অনেম অৱাংগী থাক খাইদোক্তুনা থবক তৌরিবা অসি লেপকদবনি। লোয়ননা স্কুল অসিগী নুপী মহৈরোয়শিংনা নমাজ তৌফম কা অমা তোঙান্না পীনবা দিমান্দ তৌরিবা অসিগী মতাংদা কাউন্সিলিং তৌবগী তঙাই ফদবসু লৈরি। ভিদিসা দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা কুরৱাই তেহশিলদা লৈরিবা সী এম রাইজ স্কুলদা মঙ্গুম্বা নিংশিং খুভম অমা শানবা হোৎনরকপা অসিদা স্কুল অসিগী প্রিন্সিপালনসু অয়াবা পীরি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা স্কুল অসিগী অকোয়বদা লৈরিবা মীওই খরনা কম্মিসনদা কমপ্লেন তৌরকপদগী য়েংশিনবগী থবক চথবা হৌখিবগা লোয়ননা ভোপাল এদ্যুকেসন বোর্দতা কমপ্লেন অমা তৌখ্রে। মদুগী মতুং প্রিনসিপাল অদু স্কুল অদুদগী খুদক্তা ট্রান্সফার তৌখিবগা লোয়ননা স্কুল মনুংদা লৈখিদ্রবা মীওই অমগী নিংশিং খুভম শাজিল্লম্বা অদুগী মতাংদা মরী লৈনবশিংনা থিজিনবগী থবক চথবা হৌখ্রে হায়রি।

# কোভিদকী কেস মশিং লিশিং ২ য়ৌনা থেঙনখিদ্রে

ন্যু দেল্লি, ওক্টোবর ০৭ (এজেন্সী) :
লৈবাক অসিদা হৌখিবা পুং ২৪ দা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎকী অনৌবা কেস ১,৯৯৭ থেংনখিবগা লোয়ননা হায়রিবা মতম অসিদা লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা মীওই ৯ শিহনখি হায়না য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী রিপোর্ট অমনা হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না ঙসি থেংনখিবা কেস মশিং ১,৯৯৭ থারগা হৌজিক ফাওবগীওইনা লায়না লায়চৎ অসিনা লৈবাক অসিদা শোকহনখিবা অপুনবা মী মশিং ৪,৪৬,০৬,৪৬০ শুখ্রে। অদুম ওইনমক এক্টিব কেস মশিংদি ৩০,৩৬২ দা হন্থরকখ্রে। অদুগা ঙসি লাইচৎ অসিনা শিহনখিবা মী মশিং ৯ থারগা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ না শিহনখিবা মী মশিং ৫,২৮,৭৫৪ শুখ্রে হায়রি। লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ রিকোভরি রেটনা চাদা ৯৮.৭৫ লৈরি। অদুগা এক্টিভ কেসকি চাংনা চাদা ০.০৭ ওইরি। ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎ অসিনা শোকহনখিবা মী মশিং হৌখিবা কুমজা ২০২০ গী ওগষ্ট ৭ ফাওবদা লাখ ২০ হেনখি। ওগষ্ট ২৩ দা লাখ ৩০ য়ৌখি। অদুগা সেপ্তেম্বর ৫ লাখ ৪০ য়ৌখিবগা লোয়ননা থা অসিগী ১৬ তা লাখ ৫০ হেনখি। কুমজা ২০২০ দা লৈবাক অসিদা কোভিদনা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীখি। চহী অসিগী ওক্টোবর থা লোয়রকপা ফাওবদা কোভিদ-১৯ না শোকহনবা মী মশিং লাখ ৯০ হেনখি। মমাং চহীগী দিসেম্বর ১৯ ফাওবদা মীওই ক্রোর অমা হেন্না লায়চৎ অসিনা শোকহনখিবনি।

---

ꯅꯣꯇꯤꯁ ꯴꯸

**IN THE COURT OF THE CIVIL JUDGE SENIOR DIVISION SENAPATI MANIPUR AT KANGPOKPI**
**(NOTICE UNDER ORDER-V RULE 20,C.P.C)**
Original (Money) Suit No. 51 of 2022
**Bank of Baroda, Saikul Branch**
.......Plaintiff
-Versus-
**M/s. Sophiya Garment Shop represented by Proprietor Smt. Pukhram (O) Sophiya Devi and 1 another**
.......Defendants

To,
M/s. Sophiya Garment Shop represented by Proprietor Smt. Pukhram (O) Sophiya Devi, W/o Pukhram Sanjit of Moirang Pukhram Leikai, Ward No. 4, P.O. & P.S.- Moirang Bishnupur, Bishnupur District, Manipur- 795133.

WHEREAS, the above named Plaintiff has instituted a suit against you for recovery of money and whereas you are not available in your address and it appears to the satisfaction of the Court that summons cannot be served in the ordinary way and also by registered post. You are hereby summoned to appear before this Court in person or by a pleader duly instructed and able to answer all such questions on **14th October, 2022 at 10:30 A.M.** to answer the claim and written statement if any.

Take notice that in default of your appearance on the day and time aforementioned the suit will be heard and determined and the court shall pronounce Judgment against you and a decree shall be drawn up in your absence.

Given under my hand and seal of the Court this **29th day of September, 2022.**

SEAL — Sd/- **Margaret Niangsiamkim**
By:- i/c Civil Judge, Senior Division
Advocate — Senapati, Manipur

HL-B/4356/08&09

---

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST (NORTH) SEKMAI.**

**Ref :- Mutation Case No. 454/SDC/IW(N) Sekmai of 2022.**
1. Khundongbam Manju Devi W/o (L) Kh. Ibohal Singh of Khonghampat Mayai Leikai.
2. Khundongbam Thoiba Singh S/o (L) Kh. Thambalngou Singh of Khonghampat Mayai Leikai.
3. Khundongbam Jiten Singh S/o (L) Kh. Thambalngou Singh of Khonghampat Mayai Leikai. -Petitioners

-Vs-

1. (L) Khundongbam Thambalngou Singh S/o (L) Kh. Angou Singh of Khonghampat.
2. (L) Khundongbam Ibohal Singh S/o (L) Kh. Thambalngou Singh of Khonghampat. -Pattadars

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**
Sekmai, the 5/10/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি Imphal West Tahshil Village No. 23-Khonghampat Under Patta No. 308 (Old) 112 (New) Covered by c.s. Dag No. 1223 গী area .53 acres চাওবা ইঙ্খোল লৌফম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা নামা পানবিরো হায়দুনা SDC, Sekmai গী Court তা application থারক্লে অমদি লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউ-চে অসিনা ফোংবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা SDC, Sekmai গী কোর্টতা য়েৎলবা য়াগনি, মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই Case মখা চথজখ্রনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Imphal West North Sekmai

HL-P/4347/08

---

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, SUGNU**

**Ref :- Mut. Case No. 456/SDC/Sugnu of 2022.**
App :-
1. Khundrakpam Babudhon Singh S/o (L) Khundrakpam Ibopishak Singh of Nambol Khori Leikai.
2. Khundrakpam Babusingh Meitei S/o (L) Khundrakpam Ibopishak Meitei of Nambol Khori Leikai.

-Vs-

Opp :- (L) Khundrakpam Ibopishak Singh S/o (L) Thambaljao Singh of Ithai.

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**
Dated : 07/10/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR, Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংগী মফমদা খঙহঞ্জরি মদুদি ৱাইখোং তহসিলগী মনুংদা লৈবা খুল নং 85- Wangoo পাট্টা নং 297 দাগ নং 1030 and 1023 এরিয়া 2.06 একর চাওবা তাওথবী অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে, মরম অদুনা দরখাষ্টকরিনা মমিংদা পাট্টা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা ৱায়েৎচে পীশিনবীরক্কদবনি। করিগুম্বা অয়েৎপা লৈত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথজগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Sugnu

HL-P/4160/08

---

**BOARD OF SECONDARY EDUCATION MANIPUR**

ꯑꯣꯔꯗꯔ/ORDERS
**Dated 19th September, 2022**

**No.A/SC/6/V/76/PT-IIA: The Board has introduced finacial literacy in Mathematics and Social Sciences as a part of Syllabus and Curriculum for Class X vide order no. A/SC/6/V/76/PT-IIA, dated 30th May, 2022 which will be assessed in the HSLC Examination, 2023 onwards. Detailed design, blue print and sample questions are uploaded in the website bsem.nic.in. All the concerned are requested to download the same.**

**Sd/- Dr. S. Mangijao Singh**
**Secretary**

HL-P/4349/08

---

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, NINGTHOUKHONG**

**Ref :- Mutation Case No. 291/SDC/NTK/2022.**
Nongmaithem Tabopi Devi W/o (L) N. Sanathe Singh of Nachou. -Petitioner

-Vs-

(L) Nongmaithem Sanathe Singh S/o (L) N. Yaima Singh of Nachou. -Opponent

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**
Ningthoukhong, the 06/10/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি। মদুদি 41-Nachou Village গী Patta No. 113 (O), 454 (N) C.S Dag. No. 307 Area 0.38 acre of Ingkhol class অসিগী Pattadar মৃতু ওইখিবনা মরম ওইদুনা মাগী লোইনবী (Petitioner) অসিদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউ-চেদা হাপ্পা নুমিৎতগী ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট থাবা য়াগনি। উক্ত তাংগী মতুংদা লাকপা আপতি অমত্তা লৌজরোই অমসুং আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চথজরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
**Ningthoukhong**

HL-P/4158/08

---

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, SUGNU**

**Ref :- Mut. Case No. 454/SDC/Sugnu of 2022.**
**Date: 07/10/2022**
App :- Sanasam Sanajaoba Singh S/o S. Me Singh of Wangoo.

-Vs-

Opp :- (L) Amom Ongbi Mukta Devi D/o (L) Thongjao Singh of Wangoo.

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**
Dated : 07/10/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR, Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংগী মফমদা খঙহঞ্জরি মদুদি ৱাইখোং তহসিলগী মনুংদা লৈবা খুল নং ৮৫-ৱাঙু পাট্টা নং ৮৫ দাগ নং ৩১১১ এরিয়া ০.১৮ একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে, মরম অদুনা দরখাষ্টকরিনা মমিংদা পাট্টা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা ৱায়েৎচে পীশিনবীরক্কদবনি। করিগুম্বা অয়েৎপা লৈত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথজগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Sugnu

HL-P/4160/08

---

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, SUGNU**

**Ref :- Mut. Case No. 453/SDC/Sugnu of 2022.**
App :-
1. Dilbung Wollsing S/o (L) Dillbung Mowar Lamkang of Kurmuching Village.
2. Malchum Dilbung D/o (L) Mowar Dilbung of Kurmuching.
3. Thamring Dilbung D/o (L) Mowar Dilbung of Kurmuching.

-Vs-

Opp :- (L) Selur Lamkang Naga S/o (L) Lingthu Lamkang of Kurmuching.

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**
Dated : 07/10/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR, Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংগী মফমদা খঙহঞ্জরি মদুদি ৱাইখোং তহসিলগী মনুংদা লৈবা খুল নং ৮৬-চাইরেল পাট্টা নং ৩০০ দাগ নং ১২৩৪ এরিয়া ২.৪০ একর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে, মরম অদুনা দরখাষ্টকরিনা মমিংদা পাট্টা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা ৱায়েৎচে পীশিনবীরক্কদবনি। করিগুম্বা অয়েৎপা লৈত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথজগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Sugnu

HL-P/4160/08

---

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, SUGNU**

**Ref :- Mut. Case No. 457/SDC/Sugnu of 2022.**
App :- Khundrakpam Babusingh Meitei S/o (L) Khundrakpam Ibopishak Meitei of Nambol Khori Leirak.

-Vs-

Opp :- (L) Khundrakpam Ibopishak Singh S/o (L) Thambaljao Singh of Ithai.

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**
Dated : 07/10/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR, Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংগী মফমদা খঙহঞ্জরি মদুদি ৱাইখোং তহসিলগী মনুংদা লৈবা খুল নং 85- Wangoo পাট্টা নং 1184/1210 দাগ নং 1024/1189 এরিয়া .75 একর চাওবা তাওথবী অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে, মরম অদুনা দরখাষ্টকরিনা মমিংদা পাট্টা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা ৱায়েৎচে পীশিনবীরক্কদবনি। করিগুম্বা অয়েৎপা লৈত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথজগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Sugnu

HL-P/4160/08

---

**IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER-VII, DSLR, MANIPUR**

**Ref :- Mut. Case No. 611/AS&SO-VII Dated: 04/10/2022**
Smt. Naorem Bimolata Devi W/o N. Surchandra Singh of Thoubal Kiyam Siphai Wangmataba. -Applicant

-Vs-

Smt. (L) Asem Khomdon Devi W/o (L) Khomei Singh of Kiyam Siphai. -OPP

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**
Dated, ....................

Under Section 46(3) of MLR & LR, Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি তহশিল লিলোং খুল নং ২২-কিয়াম সিফাই পাট্টা নম্বর ৫০০ (অরিবা) ৬৫৩ (অনৌবা) দাগ নম্বর ২৩৪৯ এরিয়া .০০৬৭ হেক্তর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী কো-পাট্টাদার নং ৪ শুবা মৃ: ওইখ্রে, মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কক্লগা দংকারি নাওরেম বিমোলাতা দেবীদা নামা পানবীরো হায়না মথক্কী উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচেদা হাপ্লকপা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরবা য়াগনি মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌরোই কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথরগনি।

**Sd/- M. Ningthembi Singh**
**Asst. Survey&Settlement Officer-VII**
**DSLR, Manipur**

HL-P/4354/08

---

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR KHONGJOM**

**Ref :- R.R. 376/SDC/KJM/2022**
Dated: 05/10/2022
Mrs. Jahuda W/o Md. Jalanruddin of Sangaiyumpham Part-1. -Petitioner

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**
Khongjom Dated: 7th October, 2022

Notice অসিনা খঙহল্লি মদুদি Md. Jalanruddin S/o Late Md. Maneruddin of Sangaiyumpham Part-I P.O. Wangjing, P.S. Thoubal দা লৈবা অসি মহাক্কী লোইনবী Mrs. Jahuda অসি মহাক্কী অশেংবা নুপীনি হায়দুনা Legal Wife Certificate পীবিয়ু হায়দুনা ঙসি Date 07/10/2022 দা SDC Khongjom Office, Khongjom দা Application থারক্লে। মরম অসিনা কনাগুম্বনা Objection তৌবীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ তরেৎনি (7 Days) ফাওবগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা SDC Khongjom Office অসিদা Objection তৌবীবা য়াগনি। হায়রিবা মতম অসি ফাওবগী মনুংদা লাকত্রবদি Objection Office অসিনা লৌজরোই। হৌনবী মতুংইন্না Process মখা চথজগনি।

**Sd/- N. Shyamo Singh**
**Sub-Deputy Collector, Khongjom**

HL-P/4161/08

---

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR: OINAM**

**Ref :- Mutation Case No. 291 of 2022.**
(1) Shagolshem Mangi Singh S/o (L) Sh. Yaima Singh of Keinou Thongthak Awang Leikai. (0.39 acre on Southern)
(2) - do - Mukta Singh S/o Sh. Laxman Singh of - do - (0.39 acre on Northern) -Petitioners

-Vs-

(L) Shagolshem Yaima Singh S/o (L) Bokul Singh of Keinou Thongthak. -OP

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**
Dated: 07/10/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR, Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 32-Keinou গী Patta No. 259 (O), 687 (N) Dag. No. 77 Area 0.78 acre Class Phourel হায়রিবা লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃতৃ ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃতৃ পাট্টাদার মমিং কক্লগা দংকারি অনীগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা (Objection) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথখ্রগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector**
Oinam

HL-P/4353/08

---

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST (NORTH) SEKMAI.**

**Ref :- Mutation Case No. 455/SDC/IW(N) Sekmai of 2022.**
Khangembam Pyron Singh S/o (L) Chourajit Singh of Khurkhul Awang Leikai. -Petitioner

-Vs-

(L) Khangembam Gouri Singh S/o (L) Lal Singh of Khurkhul. -Pattadar

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**
Sekmai, the 6/10/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি Imphal West Tahshil Village No. 38-Khurkhul Under Patta No. 779 (Old) 318 (New) Covered by c.s. Dag No. 5018 গী area .92 acres চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা নামা পানবিরো হায়দুনা SDC, Sekmai গী Court তা application থারক্লে অমদি লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউ-চে অসিনা ফোংবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা SDC, Sekmai গী কোর্টতা য়েৎলবা য়াগনি, মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই Case মখা চথজখ্রনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Imphal West North Sekmai

HL-P/4347/08